### ৩৮ শুবা ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

## এক্স পোলো ক্লবনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা ৩৮ শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এক্স পোলো ক্লব ৱাঙ্খৈনা মেজর করন পোলো ক্লবপু ১০-৫দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা এক্স পোলোগী নুপামচাশিংনা অহৌবগী চক্কর অনী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা ৫-০দা মেজর করনপোলোক্লবপুমাংজিলথাখি।এল অতাংবনা অহানবা চক্কর হৌরকপগী ০.৪৫দা এক্স পোলোগী অহানবা গোল চনখি। মহাক্না মখা তানা চক্কর অসিগী৬.৫৫দাগোল১গাহাপচিনবা ঙমখি। টিম কেপ্টেন পি ওজিৎনা অনীশুবা চক্করগী ২.০০দা ৱাঙ্খৈ টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। টি ঐচ জেকোবনাচক্করঅসিগী৪.০৪দাএক্স পোলোগী৪শুবা গোল চনখি।মহাক্না মখাতানাশান্নবগী৫.১৫দাগোল১গা হাপচিনবা ঙমখি।

অহুমশুবা চক্কর হৌরকপগী ০.৫০দা এল থোমসননা মেজর করন টিমগী অহানবা গোল চনখি। ও রোজরনা ১.৫৮দা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। টি ঐচ সন্তোশনা চক্কর অসিগী ২.২৩ অমদি ৪.৪০দা মেজর করনগী গোল ২ অমগা হাপচিনখি। এল কোকেশ্বরনা ৩.৫৮দা এক্স পোলোগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা ৬-৪দা অহুমশুবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মেজর করনবু মাংজিল থাখি।

অরোইবা চক্করগী শান্নবা হৌরকপগী ০.১০দা কেপ্টেন পি ওজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।গোলচনখিবগাইকানকান্নদনা এল কোকেশ্বরনা শান্নবগী ১.১৯দা এক্স পোলোগী ৮শুবা গোল চনবা ঙমখি। টি ঐচ জোকোবনা শান্নবগী ৪.৪৮ অমদি ৫.২৬তা গোল ২ অমগাহাপচিন্দুনা ১০-৫দামায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

টিঐচসন্তোশনাশান্নবগী৩.৩২দা মেজর করনগী ৫শুবা গোল চনখি। মেটচঅসিদাসীঐচঅজিৎ অমদিএস বাইকিংনা মাউন্টেদ অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্টঅসিথাঅসিগী১৫দগী হৌদুনা পূন্না টিম ২৩না শরুক য়াদুনা চথরকখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ শৈখ নুরুল হাসননা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কোন্সম শরতচন্দ্রনা থৌরম মপু অমদি টুরিজমগী দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

### হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩

## মণিপুরনা ঝরখন্দ মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ৭৬ শুবা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ফোর হিরো সন্তোশ ট্রোফি ২০২২-২৩গী গ্রুপ-৬কী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা ঝরখন্দবু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

কিষন থোঙামনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মণিপুরগী অহানবা গোল চনখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা কেরিক মাংমিনলুননা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা মণিপুরগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। রোনাল্ড সাইখোমনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা ঝরখন্দবু ৩-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

ষ্টেটকী নুপামচাশিংগী খূদুম চনবা মখা চথরকপা ওইনা কেপ্টেন সিংঙাম সোভাশনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই পাঙন্থম নাওবা মৈতৈনা শান্নবগী ৮৭শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায় পাকপগী ৫শুবা গোল চনখি। ঝরখন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোহিট টিগানা শান্নবগী ৮৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা ঙসি অয়ূক শান্নখিবা মেটচ অমদা চান্দিগরনা লক্ষ্যদ্বিপপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চান্দিগরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু নাওরেম গোবিন্দাস, স্বামিয়া হার্দিক সিংহ অমদি কুনাল সিংহনা শান্নবগী ৬৩, ৬৫ অমদি ৬৯ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। লক্ষ্যদ্বিপকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মোহমদ সরিফ পিনা শান্নবগী ২৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ৱাঙ্খৈগী ঈ এস য়ু গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পঞ্জাবনা হিমাচল প্রদেশপু লাকচনা ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পঞ্জাবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু অভিশেক রাটুনা শান্নবগী ২৮ অমদি ৭৪দা গোল অনী অদুগা রোহিট শেখনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা, পরমজিৎ সিংহনা শান্নবগী ৩৪দা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী অমদি অমরপ্রিট সিংহনা শান্নবগী৮৬ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

### মুনাল দে এন্দ নাইট ওপন সোক্কর লোইশিনখ্রে

## লনচঙবী কন্সট্রক্সননা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): এথলেটিক্স স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরকপা অহানবা মাইবম মুনাল মেমোরিএল ৫-এসাইদ দে এন্দ নাইট মেন্স ওপন সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি অকাম্পাৎকী ইষ্টর্ন আইদিএল হায় স্কুল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লনচঙবী কন্সট্রক্সন হৈঙাংনা শীংজমৈ এফ সীবু টাই ব্রেকতা ৪-৩দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা স্কোর ১-১দা দ্রো ওইখি। লনচঙবী কন্সট্রক্সনগী গোল অদুনা কে ঐচ শিতলজিৎনা শান্নবগী ২৭তা চনখি অদুগা শীংজমৈ এফ সীগী গোল অদুনা দল্লিয়ু কেনসননা শান্নবগী ২৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মখা তাবা টাই ব্রেকতা শীংজমৈ টিমগী মায়কৈদগী জোন্সন অমদি দল্লিয়ু কেনসননা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা লনচঙবী কন্সট্রক্সনগী মায়কৈদগী সুরেন্দ্র, অঙো অমদি কে ঐচ শিতলজিৎনা গোল ওন্থোক্লুনা ১-১ (৩-২)দা ৱিন্নর ওইখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা আইদিএল হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ইন-চার্জ থিঙোম ইবেথোইনা অথোইবা মীথুংলেন অমদি আর এন্দ এ ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর মাইবম অমর্জিৎনা থৌরম মপূ ওইনা শরুক য়াখি।

### রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩

## মণিপুরনা বিহারগী মখূৎতা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না শীন্দুনা চথরকপা রাঞ্জি ট্রোফি ২০২২-২৩গী ফাইনেল মেটচ ঙসি পাটনাগী মোইন উল-হক ষ্টেদিয়মদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা বিহারগী মখূৎতা রন ২২০দা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

ৱিন্নর ওইখিবা বিহার অমদি রন্নর্স অপ তাখিবা মণিপুর অনীনা মথংগী সিজন ২০২৩-২৪গী ওইনা এলিট গ্রুপতা প্রমোট তৌখ্রে।

বিহারনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ১২৪.৪দা ওল আউট ওইদুনা রন ৫৪৬ লৌবা ঙমখি অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ১০২দা ওল আউট ওইদুনা রন ৩৩৫ লৌখি।

মদুগী পাউখুমদা মণিপুরনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা ওভর ৯৪.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ৩৩৭ লৌখি অদুগা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা ওভর ৩৯.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ৭৪ খক লৌদুনা বিহারগী মখূৎতা রন ২২০দা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

ষ্টেটকী বেটসমেন পি প্রফুলোমণিনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৭৭তা রন ৮২, জে ৷টিন ফৈরোইজমনা বোল ১২৩দা রন ৬৮ অমদি কেপ্টেন লাংলোনয়াম্বা এমনা বোল ১৩২দা রন ৫০ লৌবা ঙমখি।

ষ্টেটকী বোলর কিষননা অহানবা ইন্নিংসকী বোলিংদা ওভর ৩৯ লংবদা ৱিকেট ৪ লৌখি। মহাক্না অনীশুবা ইন্নিংসকী বোলিং তৌবদা ওভর ৪৩দা ৱিকেট ৭ লৌবা ঙমখি। রেক্স অমদি জোটিন ফৈরোইজমনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ১৬ অমদি ২১ লংবদা ৱিকেট ২/২ লৌখিবনি।

### মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে

## ভেটো জুনিয়র নুপাগী অহৌবা মেটচতা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা ভিলেজ ইদিফাই টেন্যুর ওর্গনাইজেসন (ভেটো) হিয়াংখোংনা শীন্দুনা ৪৯শুবা জুনিয়র অমদি ৩৩শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ ঙসি খা কাংজৈবুং হিয়াংখোংদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা সব-জুনিয়র নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা অহৌবা মেটচতা ভেটো হিয়াংখোংনা এমদাস্কামবু পোইন্ট ১দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ভেটোনা পূন্না পোইন্ট ৩৩ ফংবা ঙমখি অদুগা এমদাস্কামনা পোইন্ট ৩২ ফংবা ঙমখিবনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা হোটেল য়াইফবগী মেনেজিং দিরেক্টর তখেল্লম্বম নাওবনা অথোইবা মীথুংলেন, ওল মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অয়েকপম জিতেননা থৌরম মপু অমদি সোসল ৱর্কর লাইশ্রম কুঞ্জেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

## আই এস এনা ৱাই এস এস য়ু ট্রোফিগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): হকচাং ফবনা লননি অমদি ময়াই কাবা চীঙাক থাদোক্লসি হায়বা থিমদা য়ং ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন কৈখুনা শীন্দুনা চথরকপা ৱাই এস এস য়ু ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ৱাই এস এস য়ু গ্রাউন্দদা লোইশিনখিবগা লোয়ননা ইস্লামিক স্পোর্টিং এসোসিএসন (আই এস এ) ক্যামগৈনা ৱিন্নর অমদি আর্টিকা পানগুংনা রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

পূন্না টিম ৩৬না শরুক য়ারকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী লোইশিনবগী থৌরমদা ক্ষেত্রিগাওগী এম এল এ শৈখ নুরুল হাসননা অথোইবা মীথুংলেন অমদি ৱাই এস এস য়ুগী প্রসিদেন্ট সামিরুল হাকিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক-মথং তারবশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা শৈখ নুরুল হাসননা ফোঙদোকখিবদা, ক্ষেত্রিগাও এ সী অসি দ্রগ ফ্রী ওইনবা হোৎনবদা ক্লবশিং, মসজিদ কম্মিটি, লৈকাই মীয়ামগী চাওরবা থৌদাং লৈ। এ সী অসিদা লৈরিবা দ্রগ এদিক্ট ওইরবশিংবু অনৌবা পূন্সি মরেল অমা পুরক্নবা হোৎনবদা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থন্বদা চঙবা শেনফমশিং পুথোকপগী থৌদাং লৌজগে হায়খি।

### সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি

## মণিপুরনা উত্তর প্রদেশকী মখূৎতা রন ১১৩দা মায়থীখ্রে

ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): বি সী সী আইনা শীন্দুনা চথরিবা সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২২-২৩গী ঙসি বদোদারাদা লৈবাইনফিপ্রো স্পোর্টস ক্লব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা উত্তর প্রদেশকী মখূৎতা রন ১১৩দা মায়থীখ্রে।

মণিপুরনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। উত্তর প্রদেশনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৮৭ লৌবা ঙমখি। উত্তর প্রদেশকী বেটসমেন নিশু চৌধরিনা বোল ৫১দা রন ৫২, সোনালি সিংহনা বোল ৯১দা রন ৪৩, মুস্কান মালিকনা বোল ২২দা রন ২৩ অদুগা রাশি কনোজিয়ানা বোল ৫৪ অমদি স্বেতানা বোল ২৪দা চপ মান্নবা রন ১৪/১৪ লৌখি।

ইন্নিংস অদুদা ষ্টেটকী বোলর দল্লিয়ু গঙ্গা, চিঙ্খৈ এম অমদি মোনিকানা ওভর ১০/১০ লংবদা ৱিকেট ৫, ২ অমদি ১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা মণিপুরনা ওভর ৩৯.৩দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্পগী রন ৭৪ লৌদুনা উত্তর প্রদেশকী মখূৎতা রন ১১৩দা মায়থীহৌখিবনি।

ষ্টেটকী বেটসমেন লিন্থোইঙম্বী রাজকুমারীনা আউট ওইদনা বোল ৫৪দা রন ২৯ লৌদুনা টিমগী রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবী শান্নরোয় ওইখি। কলপনানা বোল ২৭তা রন ১০ অমদি ৱাই মিলননা বোল ৪৪দা রন ১৫ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী উত্তর প্রদেশনা বোলিং তৌবদা তনু সিংহনা ওভর ৯ অমদি নিশু চৌধরিনা ওভর ৬.৩ লংবদা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি। সিল্পি য়াদবনা ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি রাশি কনোজিয়ানা ওভর ১০ লংবদা ৱিকেট ১ লৌখি।

### য়াইস্কুল দে এন্দ নাইট ফুটবোল

## মহাবলি এফ সী অমদি এ এস এ মায় পাকখ্রে


ইম্ফাল,জান্যুৱারী২৯(ঐচএনএস): লনগুইনা চনখিবা গোল ৩ অমদি শৈলাশনা শান্নবগী ২০ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল ১গী মতেংনা মহাবলি এফ সীনা ৱাই সী বি-বিবু ৪-১দা চথরিবা য়াইস্কুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইবা অহানবা লাইময়ুম তোম্বী মেমোরিএল ৪-এসাইদ ওপন দে এন্দ নাইট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি ব্রহ্মপুর লালজি লাকপা লৈকাইদা লৈবা বি এস সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

লনগুইগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ১৩ অমদি২৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এ এস এ অকাম্পাৎনা ফোর ষ্টার ৱাঙ্খৈবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

অকাম্পাৎ টিমগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু শঙ্করনা শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা চনখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 701**

**GM J. Sadorra (2564) - IM V. Arjun (2250)**

**Charlotte Open 2023 Charlotte USA, 2023.01.15**

1.d4 Nf6 2.c4 c5 3.d5 b5 4.Qc2 e6
5.e4 bxc4 6.Bxc4 exd5 7.exd5 d6 8.Nc3 Be7
9.Nge2 O-O 10.O-O Nbd7 11.Ng3 Nb6 12.b3 Nfd7
13.Bd3 Nf6 14.Bb2 Bd7 15.Rae1 Re8 16.Nce4 Nbxd5
17.Ng5 g6 18.Bc4 Bc6 19.Qd2 Rf8 20.N5e4 Nb6
21.Qh6 Nxc4 22.Nf5 Ne8 23. ...

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 700 Ans. :**

21. ...Nxe5 The black knight deflects White's queen away from protecting the knight. The black knight captures White's knight, which was defending White's knight. 22. Qxe5 Qxf3
Your moves:22...Bf6
Your moves:22...Bd6
Your moves:22...Rh1+
23. Bxf3 Bxf3 The black bishop captures White's bishop, which was defending the square h1. 24. bxc5 Rh1# Opera mate
0-1

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
G ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012
BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA
Many Students were certified and eligible for applying Job
Online or Offline Class Available
Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW
Timing :- 5:30 am, 7:00 am, 9:00 am, 4:00 pm
Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.
Admission Open for Jan/Feb 2023
Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)
For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com
HL-B/7933/4/12-3/02

LOAN AVAILABLE
EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | G.M / Manager | Graduate + 3yrs exp. | 2+2 | Negotiable | 30-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.30PM
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
HL-P/5805/2/26/1-1/3(alt)

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College,Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSE for CLASS -IX & X (BOSEM)
17th February, 2023
4:00pm-7:30pm
Faculty members for class X
Physics — SIR SYAMSUNDAR, Regular English H/S
Chemistry — MADAM SUSIMA, Lee Faith School
Biology — MAAM SHANTIBALA(Retd.), Nirmalabas High School
Mathematics — SIR IBUNGO, St. Savio Hr. Sec. School
English — SIR DHIREN, Regular English H/S
History — SIR SEITYAJIT, Tiny tot's Unique School
Geography — SIR SURESH, Former Teacher: Diviner English School
Manipuri — SIR ROBINDRO, R.M. School
Mathematics — SIR SHYAM, R.M. School
English — SIR THOMAS, Heritage Convent
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm-7:30pm)
6009534807
9233284826
HL-P/7975/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com